উমং লাই খুন্দা

অল মণিপুর উমং লাই হরাওবা
কমিটিগী থা ৩/৩গী উমং লাই
অমসুং মৈতৈ ইনাংকী
ওইবা চেকোং



সম্পাদকঃ— থুলেম চন্দ্রশেখর সিংহ
"পণ্ডিত" "কোবিদ" "সাহিত্যশিরোমণি" "পারঙ্গত"
"শিক্ষণ কলা প্রবীন" "শিক্ষণ পারঙ্গত"
"জ্যোতিষ রত্নাকর" "গ্রেড্ রাইটর"

৫শুবা চহী | মার্চ/জুন | মশাঁও
মমল লুপা ৩,০০ | ৭|৬|৮৪ ইং | ১৭/১৮ শুবা

Regd. No. D/C (C)/10/60/J/78.

য়াওফম তাকপা

খংবিগদবা :— "উমং লাই খুন্দা" দা কোঙদোক্লিবা আর্টিকলশিং অসিগী অয়াল অহুইগী দায়িত্ব অইবা মশা মশাগীনি। কনাগুম্বা অমত্তনা সম্পাদকী অয়াবা য়াওদনা আর্টিকলশিং অসি খোমজিন্দুনা কোঙদোকপা য়ারোই।

"মোইরাং হরাউবা"

অরেংবম্গী খোইজেন্দ্রদগী

মোইরাং থাংজীং হরাউববু মীয়াম্না "মোইরাং হরাউবা" অমুম হায়না থংনৈ। কুরুগা থংননা চৌঙথোকখি (পুথোকখি) হায়বদগী "থঙচৌঙ" দগী থৈথরক্লুনা "থাংজীং" হায়বা থাহে অসি থোকখি। লাইনিংথৌ থাংজীংগী মতিক মগুণ শিংথাবদা মথাগী অসুম্না শিংথানৈ।

হে কুরু! কেলজি নোংচুম লম,
মালং মথোঙচীল,
থমগোল মরাকচীলবু,
তাননা থললবা।
কেগে শম্লোঙ মোরিবা;
খুয়োন ফকতোম কম্বা।
থাঙ্গ তোলবল নিংথৌ।
কেগে লয়শাবুঙ,
মোইরাং কশায়েল নামুংবা।
য়াইবী পাল্লোই তানবা,
ভখেল লাকচৌঙ কম্বা,
ময়াং সকাং তোংবা,
পাঙল তমপাক কোয়বা।
চীংলেন নাপোম অতোংবদা কমকম্বা॥
খায়ম মোম্থে ওম্ব';
ছুয়েনচৌঙ কবাকফাবা লাইরিংথৌও!

ইবুথৌ থাংজীং লাইনিংথৌনা কোয়ৌ নোংমদোল্দগী মালেমদা থুনশুমলক্লে। অহানবদা শারেং চীংগী চীংমৈদা খুন্দাখি। মসিনা থাংজীংগী অহানবা খুভমনি। লাইনিংথৌ থাংজীংনা কেগে মোইরাং খুনয়াইদা খুন্দারগে থল্লদুনা শজিবু থাগী কোয়ৌ নোংমাইজিং নুমিত্তা পানবা অঙৌবা তোংদুনা মনাই মশল পুদুনা হৌজিক লৈরিবা খুভম অসিদা খুন্দাখি। মোইরাং লাইজি ভাকপা লাই ওইনা খুন্দাদুনা পানখি। হৌজিক থাংজীংগী লাইশং

অসিনা নোংচুপ ওস্নুনা, শারিবগী মরমদি হায়রা থুন্দাহুনা লৈরবা থুভম অচু খোঙ্গাওনবা যাদ্রহুন্না হায়বদ্রি তুং ওনখোকপা রাদবদগী নোংচুপ ওন্নিখ্রনি।

থবি লানংদবা থবা চৈজেন্দবা মুমিং য়েংহুনা কাল্লেন. থাগী হুমি পানবা নোংমাইজিং. মুমিত্তা হুরাউবা হৌদ্রোকখি। লাইশিংগী মতমদদি শজিবু থাদা হুরাউরম্মী। মোইরাং থাংজীং হুরাউবা হৌগদবা মুমিত্তা মোইরাংদা থুন্দা লৈত্তাহুনা লৈরিবা লাইয়াম পুরমক থাংজীংগী লাইবুঙদা মাগী মাগী শাগে নাতৈনা পুরক্লগা থাংজীংগী লাইবুংদা লৈরগা (থম্নগা) মোইরাং হুরাউবা হৌগনি। মোইরাং হুরাউবগী মমুংদো শরুক অহুম খোক্লা থাইদোকপা য়াই মহুদি:— ১। য়ুমফম্বা ২। থোংচিংবা ৩। লম খোকপা হুরাউবা মথল অসিনি। মথল অহুম অসি চহী চহী থুদিংগী ওইনা মথং মনাও নাইনা হুরাউগনি।

মোইরাংদা লৈবা লাইশিং—	লাই লাংলিবা য়ুমাক—	লৈকম/লৈকাই
১। গুরু নোংশাবা নোংশাবী	লাইশংবম	লাইশংবম লৈকাই
২। অয়াংলৈমা অহল অভোম্বী	খোয়াংবম	খোংয়াংবম ,,
৩। পিথ্রাইবী খোংজ্রাইবী	খোইরম মোইরাংথেম	খোইরম মোইরাংথেম লৈকাই
	ফাইরেম্বম	ফাইরেম্বম ,,
৪। লোকলাউ লৈমা	অহোংবম	অহোংবম ,,
৫। থুনদিনবী	থিঙ্গুজম	থিঙ্গুজম ,,
৬। বায়থুরৈমা	কুমাম	কুমাম ,,
৭। মহাদেব,	কোঙ্গেংবম	কোঙ্গেংবম ,,
৮। সোয়াদ্বেন	থোংঙাম	থোংঙাম ,,
৯। থোংনাং নিংথৌ,	লাইশ্রাকপম	লাইশ্রাকপম ,,
১০। থানা চাউবা	ফিলেম	ফিলেম ,,
১১। থোরিফাবা	মাইরেম্বম	মাইরেম্বম ,,
১২। লৈকোয়	কিয়াম	কিয়াম ,,
১৩। উরি	অহন্থেম	অহন্থেম ,,
১৪। সনামহী		

মৈতৈ অমাইবা

পোমিং কাওবা —

য়ুম্নাম-চা বুদ্ধিচন্দ্র

১৮। ৪। ৮৪

ওসি য়াইফরবা য়ুমিং অসি মাইচৌসিংবু নীংসিং য়ুমিংনি। ঐপোয় মীয়াম ক্রিন্দুনা, ঐখোয়গী মাওদা হৌরবা মাইচৌসিংবু নীংসিংদুনা, মখোয়গী মতীক ময়াই শক-সোন্নি অমসুং শীংথান্নি।

করিগীদমক মাইচৌসিংবু নিংসিংলি —

ঐখোয়গী ঈপা ঈপু ওইনা পোক্লম্বা, বাখল লৌসিং চাওরবা খিজিনবা অমসুং হোংনবা কল্লবা মাইচৌসিংনা তৌরম্বা থবকসিং, মখোয়গী পাওতাকসিং, মখোয়না খিজিনবদগী অরেম্বা ওইনা থওলবা হিরম কয়া অরিবা লাইরিক লাইশু কয়া ইদুনা থম্মীরম্মি। য়ুমিং থা থৌরায়মীচারুচিংবগী খোওচং লেপ্তুনা অমসুং মালেমদা লৈরিবা থৌরায় পানবসিং, অচং চংতা লেওলি পাম্লিবা পূম্নমক, অভিংতা অচাওবদা পাইদুনা লৈরিবা পোংশকসিং অসিগা লৈনরিবা মরী অমসুং থৌরায় পানবসিংনা পোকপা হিংবা সিবা থৌরায়গা হকচাংগা লৈনবা মরী; অসিনচিংবা চিরম পুদিংমকী তোপ-তোপ্পা। মৈতৈসিংগী "ঈমুংলোনগী" (ফিলোসোফিগী) কাংলোন অমা শেমদুনা মৈতৈসিংগী পুন্সি ওইরক্লি অমসুং হৌজিকসু কাংলোন অসিগী মথাদা মৈতৈসিংনা হিংলি। ঈপা ঈপুসিং অদুনা তানসিন্দুনা পৈসিনবীরমলিবা লনগৈ, হৌজিকী মীয়োম্বা কাইথোক্নুনা শীজিন্নবদা ময়েং তাবা ওমদনা লৈরি। মৈতৈ মাইচৌসিংনা সেথলম্বা চংনরোল কয়ানা মালেমগী মীয়ামগী মরক্তা মচা মশু ঐখোয়না তিনজবা ওম্নবগীদমক মৈরা ওম্না থান্দুনা মৈতৈসিংগী শক তাক্লি অমসুং লমজিংবীরি। মাইচৌসিংগী মপাম্না মৈতৈসিংনা মীরক তিনবা ওমজৈ

অমস্তুং কময়কম ফংজে। তৌইগুম্বস্তুং মৈতৈ মাইচৌসিংগী লমজিং মথাদা মৈতৈসিংনা চাওথোকচৈ। মসিদগী হৌজিকী মীয়োম্না, চৌথোকপা মাইচৌসিংগী মকমদা কোক নোন্দুনা মথোয়গী মতৌক মযাই শক সোল্লি অমস্তুং শীংথাহনা লৈশী লৈখোল্লি। মাইচৌসিংবু নীংসিংবগা লোয়ননা তেংবানবা মপুদা নিজরি— মহৌসাগী মাইচৌসিং অছু তংপা কাংবা নাইদনা হন্না হন্না থাবীরক্কুনা; মমলবা তাইবংপানবু ৱানহনবীয়ু অমস্তুং লৱেল মমলবা মালেমগী মীয়াম্বু লমজিংহনবীয়ু হায়বসিনি।

মাইচৌ কনানো?

মাইচৌ হায়বা মিংথোল অসিগী মরমদা থরদং নৈনজগে— "মাইচৌ—মাইবা + অচৌবা—মাইচৌ" হায়না অসিনা তাকে। মাইবসিংগী মকোক ওইবা অমাইবা অচৌবা মাইচৌ হায়বনি। অসি মীয়াম নিংসিংলিবা অসিদি অমাইবা লোয়শংগী মকোক নত্ত্রগা অমাইবা অমাগী নত্ত্রগা অমাইবা লুপাকী লুচিংবা অমাইবা অদুতবু নংতে। অদুবেল অসিদা শুকি লেনবা অমাইবা পুম্নমক্পুনি। অসিগুম্বা থবক হৌখিবা মীওই— শিংবু মাইচৌ হনবা লৌখিজবা, অদিবা লাইরিকশিংদা ইরোং যেংনবদে, অমাইবা মনুং হিকব তাকপা মাইচৌসিংদা লোয়ননা লৌখিজবা লেহৈ। মসিম নানো হায়বা মাইচৌ অসিগী মহুৎতা, মায়পাক মাইচৌ হায়বা লৌখিজবদি করিগুম্বা থেংনৈ। লোনগী হৌরককুম কন্না অসি য়েংজবগা ওসিগী লৌয়ম অসিগুম্বসিং অসি; মাইচৌ মীংসিং মুমিং তায়রবুদি "অমাইবা নংত্রগা অমাইরোন মীংসিং মুমিং" তায়রবা তেম্না চানগনি।

মৈতৈগী অয়িবা চংনরোন অমস্তুং লাইরিকসিংগী মতুং ইন্দি; "মাইবা নংত্রগা অমাইবা" হায়বা মিংথোন অসি; "পণ্ডিত অমস্তুং ইউনিভার্সিটিগী ডোক্টোরেট" হায়রা ডিগ্রি নত্ত্রগা মিংথোলগা মাদৈ হায়রা লৌবা য়াই। করিগুম্বা লখেন অমবু মপুক্ত কানা থজবা অমস্তুং হৈবা; লন্নেল অদুবু মশামক্তা পায়বা ওয়রা অমস্তুং মতোমদা

তাকপী তম্বীবা অমম্তং শন্দোক্লা খঙহনবা ওম্রবা মতীক মম্রাই চেল্লুবা মীওইসিং অহুবুনি অমাইবা হায়রিবসি। হৌজিকী মীয়োম্না খঙনরিব্দি অনাবা লাইয়েংবগী থবক তৌবা মীতবু অমাইবা নত্রগা মাইবা হায়না খঙনরি। মৈতৈগী অরিবা লাইরিকসিং অমম্তং চৎনরোনসিংদা, অমাইবা মথল কয়ামুক থায়দোকপা থেংনৈ। মতুদি লাই হুরাওবদা ময়াম্না লমজিংলিবা অমম্তং লাই তাইনবগী থবক তৌরিবা মীবুম্নু ম্রাইবা মাইবী, কৌনরিবসিনি।

"থালোয়-নোংথায়লোন" কৌবা লাইরিক্তা থা তয়ামিথোক-মক্তা পাঙথোকপা খোরম পয়েং তাক্লকপদা কালেন থাগী মতুংদা পাঙথোকপা খোরম পয়ে তাকপদা অপুম্ব' হায়রি।

থালোয়-নোংথায়লোন

............লাইরেল মৈত্তিংঙু তাইপঙ সরারেনকা, য়োইপু তথকা মশানৌকা, য়োইহৈ সানাই নিপানমকা, পোইরৈ থুম্হোং মরিমকা, নম্ব পোং ওইবা পুম্নমকা, কোয়ৌ ললসাপা বাংপন পাওফাপা পুন্সি লৈনিথা। থাগী থিয়াথো, অমাই শুমতোংলাং নিংথৌ মাইপা তরেংমাসুং, — -- মথক্কী লাইরিক অসিনা হায়রিবা ... . নিংথৌ মাইপা তরেংমাসুং ......হায়রিবসি, লম্বেল অমগী মাইথা তরেং হায়বা নংতে। মাম্নদবা লম্বেন হিরম তরেংকী মাইব তরেং হায়বনি। মতুদি— ১। থাগী থিয়াথো ২। অমাই শুম-তোংলাং হায়রিবা অনি অসি, হিরম অনিগী মাইবা মথল অনিনি।

"থাকেমপা লাংচৈ" কৌবা লাইরিক্তা — মৈত্তিংঙু থাগেম্বগী লৈমনা নাওপুবা মপুঙ ফারক্লবদা; লৈমনা মৈত্তিংঙু থাগেম্বদা হনগৎচবা য়ারেল —

থাকেমপা লাংচৈ

............য়োইপু মশানৌ চকপা মংলা তমপীলা পাওমেনথিএ। লাইরেন ঈশাপী মৈত্তিংঙু শেলপী থাকেমপও। য়োইপু নশ্নানৌ এরনা

হৈরাঙ মচা য়াম্না নাঙপুপা অসিপু, খোইমোম নোংঙমখোন করমপপু ওইহিকপনো ওনখোকএ। ৩। নতাইরেন খাপী থিয়াখৌ অমাই মনাওয়োক্তা পাওহংপীও হায়না রাকংচখিএ। লাইরেন শেলপী খাকেমপনা পাওহংখিএ। লাইরেন ঈপা মৈতিংঙু শেলপী মুংয়ামপকী ৪। মমাইপা আকেং থিয়াখৌ অথৌপা নঙকা, লাইরেন ঐকী অমাই থিয়াখৌ অথৌপা অমাই মনাওয়োক, খোইমোম লাইরমপু, থেংকা নঙকা, নিংথৌ মাইপা মঙচুমপা নখোয়পু লাকও! য়োইপু ঈশানৌ কংলৈ মৈতৈ লৈমা, লোইপী কোইরেং অকোং লোকপী; হুয়েন মরোং চোকপীপু কোরৌ ঈনোংখৌনা য়োইচানপা রাংপন ঈকাসানা ললকুপীপকী তমকপু; লাইরেন ঈপারি ···· – · · কংলা লাইরা পারিংপপু শাংকপরা? ঈপোম তমফা রাঙমলোন ··· ··· ···· রাংকোন লাই মুরা অতেংপী, খোনপা য়িরেন খানপীপু ফুয়কপরা — — —? ৫। খোমলেন মঙচঙলুও হায়না পাঙমেনখিএ।

খাগেম্বা লাংলৈগা মাম্বা মতাং অমদা সনামহী লাইহুইদা হায়বন—
সনামহী লাইহুই ঃ—

— — — লাইরেন ঈপা মৈতিঙু শেলপী মুংয়ামপকী ৬। মমাইপা আকেং থিয়াপৌ নঙকা, থেংকা অমাইপা থিয়াখৌ অমাই শুংতোংলাং নিংথৌ মাইপা মঙচুমপা খোইমোম লাইরমপু নখোয়না য়োইপু ঈশানৌ — — — — — — নোংপানলোন হুয়েন মরোং চোংফাপীপু; কোরৌ ঈনোংখোনা ললকুপীপা, রাংপন ঈকাসানা য়োইচানপকী তৌসিন্না? হৈরাঙ মচায়ান তাওচিং মরূ পল্লে। লাইরেন ঈপারি কংলা লাইরা পরিং শেমপা, শাপন লানপেংঙ শীনপপু শাংকপরা? ঈমোম তমফা রাঙম্রোন,— — — — — — — — ফুয়কাপরা; ৭। খোমলেন মঙচঙলুও হায়না রাহমখিএ।— — — — —

মথঙ্গী উৎলিবা লাইরিকসিংগী খুদমসিং :—
১। থাপী থিয়াথৌ ২। অমাই শুমতোংলাং ৩। মতাই-রেম থাপী থিয়াথৌ অমাই মনাওয়োক্তা পাওখুংপীও হায়না পাওমেনখিএ ৪। মমাইপা অকেং থিয়াথৌ অথোপা নওকা, লাইরেন ঐকী অমাই থিয়াথৌ অথোপা অমাই মনাওয়োক খোইমোম লাইরমপু থেংকা নওকা; নিংথৌ মাইপা মওচুমপা ৫। খোয়েন মওচওলুও ৬। মমাইপা আকেং থিয়াথৌ নওকা; থেংকা অমাইপা থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাং নিংথৌ মাইপা মওচুমপা খোইমোম লাই-রমপু নখোয়না :—

মথঙ্গা উৎলিবা লাইরিকসিংগী খুদম নং ১। "থাপী থিয়াথৌ" মাইবা মথল অমনি। নং ২। "অমাই শুমতোংলাং" মথল অমনি। ৩। "অমাই মনাওয়োক" মথল অমনি। ৪। "অমাই থিয়াথৌ অথোপা" মথল অমনি। ৫। "অমাই লাইরমপু" মথল অমনি। খুদমসিং অসিদা মাইবা মথল মতাপী মমিং ফংলে। খুদমসিং অসিনা শোগৎলবনা "থালোয় নোংথায়লোন" কৌবা লাইরিকা নিংথৌ মাইপা তরেৎমাসুং হায়না ইরমলিবসি; মাইবা মথল তরেৎ খোক্কা থারদোকই হায়বসি ময়েক শেংলে।

মাইবাসিংগী মিংথোল :—

হিরম		মিংথোল
১। অমাবা মাইরেংবা	—	অমাই মনাওয়োক।
২। অমাইবী চঙবা, হিরীকোনবা, মওচুম্পা	—	থাপী থিয়াথৌ।
৩। থেন-চাং খুদম চাংদম য়েংবা	—	অমাই শুমতোংলাং।
৪। ঈরাৎ থৌনি তৌদুনা অমসুং হিদী কোনদুনা লাই ফাইনবা	—	খোংতে নাকথংমাই।

৫। ঈমাং থৌনি থৌরম লমজিংবা — অমাই লাইরমপু।
৬। লাইরিক লেংবা, বারী সেম্বা, শৈরেংবা— কোস্তে খুৎচুম্মাই।
৭। পুম্নমক শুপ্পা খঙ-হৈরবা
(রিসার্চ স্কোলার) — অমাই থিয়াথৌ অথৌপা।

তাক্লিবা খুদমশিং :—

১। অমাই মনাওয়োক

মীওইবনা নাহ্রুবদা অমাইবনা লাইকম্বা শুমত্রহনা সিরবদা; তৌগদবা মথৌ মওম তাকপদা "থালোয়-নোংখায়লোন" কৌবা লাইরিক্তা হায়রি—

থালোই নোংখায়লোন—

++++হয়ু পল্লেম পীশোল্লা, লাইরে পম্থৌ পাশোল্লা; হকচাং অচীক অথম চল্লা, অনা নাহে নোংকীপু; কোল্লোয় শঙকাইমুংতা; (১) অমাই মনাওয়োক অমেৎ খুৎতম হৈপনা; লাইরি পানতম খঙ মিহুন খোঙহৌ লাক, হকচাং তোংয়ায় খোম, খোইমোম লাইরা সোন, হীতাক সিতপপু মচন মতীক খঙ, অনা হীতাক থা নযু লাইকন্নপপু——।

থাকেমপা লাংচৈ —

+++ য়োইপু নশানৌ চকপা সংসাঙমপীনা পাওমেনথিএ। লাইরেল ঈশাপী মৈতিংঙু শেলপী থাকেমপও। য়োইপু নশানৌ ঐনা হৈরাঙ মচা য়াম্না নাওপুপা অসিপু; খোইমোম নোংঙমখোন করমপপু ওইরিকপনো ওস্তোকএ! নতাইরেম (২)থাপী থিয়াথৌ অমাই মনাওয়োক্তা পাওহংপীও হায়রনা বাকৎচরপতা ——।

মথক্কী খুদম নং ১দা "অমেৎ খুৎতম হৈপনা" —মরী মতাং পুকশুবা হৈবনা। "লাইরি পাতম খঙ" = লাইনা লাইওং খঙবা। "মিহুন খোঙহৌ লাক" —মিহুন কাংলোন খঙবা। "হকচাং তোংয়ায় খোম"

=মন্নী মতাং থায়না। "খোইমোম লাইবা সোন" — লাইরোন থীরোন লাইবা শোন্দুনা। "হীতাক সিতপপু মচন মতীক থঙ" —লাইনা লাইওংগী মতুং ইন্না হীদাক মচন মন্নান থঙনা সেম সাদ্রনা হীদাক থাহুনা লাইকন্নববু হায়বনি। খুদম নং ২দা "থাপী থিয়াথৌ" =খিজিনবা কনবা অমসুং তায়দোরকপা য়াথং শোয়কদবা অচুম্বা ওইবা মাইবী অমসুং মিহুন থাহুন থঙবা মাইবদা পাওহুংবীয়ো হায়বনি। খুদমসিং অসিনা মন্নেক শেংনা উংলে। "অমাই মনাওয়োক" হায়বসি, মিহুন থাহুন লাইওং লাইচং থঙনা অনা লাইয়েংবা মাইববু অমাই মনাওয়োক কৌই হায়বসি শেংনা তাল্লে।

২। থাপী থিয়াথৌ

মাইবীনা হীয়ী কোন্দুনা কন্নগা লাইতোংহুনা লাইরোল লাইপাও চেনবা অমসুং অমাইবসিংনা হীয়ী কোন্দুনা লাইগী খুদম চাংদম য়েংববু মংচওবা কৌই। তুম্বদা হীয়ী কোন্দুনা তুন্নগা মঙগী খুদম য়েংহুনা লাইগী পাওতাক লৌববু মঙ-তম্বা কৌই। মথানা উংলিবা লাইরিকসিং অসিনা হায়রি।

সনামহী লাইহুই—

+ + + + মৈতিংঙ্ শেলগী থাকেমপতা (১) অকেং থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংনা খোয়েল মঙপাও তমথিএ। + + + + তাইপঙ মরাবেল নমু পোংহনপও। নতাইরেম ঐকী খোয়েল মঙলানচালতা উরকপতি; লীক্লাই নপারি কংলা লাইবা পরিং সেমপা, শাপন লালথোঙ শীনপপু শাংকপরা হায়পন্নুং মঙলানচালতা উরক্কে। নমোম তমকা বাওয়োন লীক্লাই নৈমা কচেংঙানপা চমুপু কুইকপরা হায়পন্নুং মঙলক্কে। (২) তুপী মমাইপা খেংকা মঙচুমপন্নুং; লাইরেল কোয়ৌ ঈনোংখোও। নতাইরেম ঐকী খোয়েল মঙলানচালতা উরকপতি— কোয়ৌ চুমিংতাঙ খানপকী, কুমচিং হীকোক লীওংনপনা, তোংচে

কাহনৌ খৌবায়মীচাকপু থাচা পরেং লেংকুমপতি অনিনা চেংলোমিংপু লংগ্র।———

খিংখৌ খাগেম্বা মচা চোইনৌ সনামহীনা অচাত ওইনা খোইমোম লাহি ওইগ্রবদা; চোইনৌ সনামহীনা লাইপাও চেন্নকপা মতাংদা; খাকেমপা লাংচৈ কৌবা লাইরিকী বারোল।

খাকেমপা লাংচে—

+ + + + খোইমোম মশাওন চীংউ মতৌই করমপপু ওইরিকপনো হায়না উনপী পুরীং ওক্লা নীংথম্নরিতৈতা। খারোইরোন অতোন লোইযুমপা চম্নু, য়োইহে পংকিওমপীতা; খোইমোম মতীক উংনা চীংউ মতীক অয়পপু শানফোওকে হায়না তাক্নবপকা। (৩) খাপী খিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইনা খোইমোম লাইরোল লোনইয়ে। খোইমোম মশাওন চীংউ মতৌইে অমাত—বাওম থুবাই শানম নীংতৌনপী হম্নু ময়াইকা ইনপা মরেং চন্নপতা। (৪) কৌরোং পানপৈ নীক্লা, খোইমোম লাইরোল লোম্না; খাপী খিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইতন্নপতা।———

মথক্তা উংগ্রিবা সনামহী লাইহুই অমসুং খাকেমপা লাংচৈ লাইরিক অনিগী থুনম নং '(১)' আকেং খিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংনা খোয়েল মওপাও তমখিগ্র।.........(২) তুপী মমাইপা খেংকা মওচুমপসুং ‥‥‥ (৩) খাপী খিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইনা খোইমোম লাইরোল লোনইয়ে। (৪) কৌরোং পানপৈ নীক্লা, খোইমোম লাইরোল লোন্না; খাপী খিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইতন্নপতা। হায়রিবা বারোলগীং অসিগী মতুং ইম্না; হায়রী কোন্থুনা লাহি তৌংলগা লাইপাও লোবা অমসুং লাইপাও চেনবনু; খাপী খিয়াখৌ কৌই হায়বদি, 'মংথী থুনমসিং ওশিনা তাক্নে।

৩। অমাই শুমতোংলাং

অঙম মতমগী ওইররিবা মহোশা লাইরেম্বীগী খুমন অদেম মুমীৎ খা খোরায়রীচাকী খোঙচৎ, লৈচিন নোংজু খুংসাগী মঙ মতো অমত্তুং হীরী কোন্দুনা মংচঙবা অমত্তুং মঙ-তমত্ত্বনা লাইপাও লোইরমা খেন-থীং লেংবা অমত্তুং খঙবনু অমাই শুমতোংলাং কৌই।

খুমম —

ইঙেন থাগী মতুংদা পাঙথোকদবা ঈরাং খৌনি কুমহৈ হুরাও-বরচিংবা খোরম পরেংসিং তাকপদা, "খালোয় নোংখায়লোন" কৌবা লাইরিক্কী বারোল —

খালোয় নোংখায়লোন —

............থাপা লৈরেলকী আতে লোখামপা-শা ঈরাংপুঙ, কাইরেল কৈরাং লালকোপা মৈনম নোংচেনপা য়োইরেন শালাই অরেংমাকা, (১) থাগী থিয়াখৌ অমাঈ শুমতোংলাংকা অশৈ পনমাপা তাশুরোয় পুঙলেল বাকা, শীংলেল মনিল নাইপা, অহুম্মাকা; লাইরেম সনা মমৈ বার হৈনা মতুং ইনপসিংনা বাহমথিএ। পোইরৈ লোইতাম মতুং ওইরে। মোয়ু হৈচা বাওইথি নোইমু মরল ওনপীকুনো।...

সনামহী লাইহুই —

—........ মৈতিংঙু শেলগী থাকেমপতা (২) অাকেং থিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংনা খোয়েন মঙপাও তমথিএ......।

খাকেমপা লাংচৈ —

............য়োইহৈ পাংকাঙমপীতা; ......চীংউ মতিক অরুপপু সানকোঙকে হায়না তারুরপকা। (৩) থাগী থিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইনা খোইমোম লাইরোল লোলহয়ে। ......বাঙম খুবাই শানম নীংতোনপী...... হনপা মরেং চরপতা।

(৪) কৌরোং পানপৈ নীক্লা, খোইমোম লাইরোল লোন্না;
থাপী থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইহন্নপতা। ... —

মথক্তা উংগ্রিবা লাইরিকসিংগী খুদমসিং (১) থাপী থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংকা (২) অকেং থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংনা খোয়েল মওমপাও তমখিএ। (২) থাপী থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইনা খোইমোম লাইরোল লোনহল্লে
(৪) কৌরোং পানপৈ নীক্লা, খোঙ্গমোম লাইরোন লোন্না;
থাপী থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইহন্নপতা।———
হায়রিবা বারোলসিং অসিগী মতুং ইন্না, খেন-চাং খুদম চাংদম খণ্ডবা অমসুং হীরী কোন্দুনা মও তমহুনা লাইপাও লৌরগা, অফ ফংতা খণ্ডননবগী থবক তৌবা (মাইবী চওহুনা লাই তোংবদি নংতবা) মীবু "অমাই শুমতোংলাং কৌই" হায়বসি মথকী বাহৈসিং অসিনা তাক্লে।

৪। কোন্তেনাকথংমাই

লৈপাকী অমসুং লয়াইগী থোথোক বাথোক অনা অয়েক্লচিংবা হিরম কয়াগী মরমদা হীরী কোন্দুনা, ঈরাং চবান পীহুনা, লাইসোম্ন তীলসোম্নচিংবা তৌহুনা থৌনিবা, লাই তাইনবগী থবক তৌবা অমাইববু "কোন্তে নাকথংমাই কৌই।"

খুদমসিং :—

মৈদিংগু নোংদা লাইরেল পাখণ্ডবনা খুলগুন্নকুনা পোইরৈ লৈপাকী কংলাদা থুংলরবদা; পাখণ্ডববু নিংথৌ হাপ্নুনা ফম্বাল তোংনবগীদমক মথৌ মওম তৌহুনা ঈরাং থৌনিবদা "পাখণ্ডবা লাইহুই অমসুং পাখণ্ডবা ফম্বান্নোন" কৌবা পুন্নানা হায়রবা বারোল —

পাখণ্ডবা লাইহুই —

———সনা নোংফু মহমনুংগী চী.উ নোংথৈ ফমপনচিংবা খোইমোম লাইরুপ পুন্নবা; পুগ্রন নোংখোন অমাই অশৈ তারুমানগী খোইনীং

মানপী য়িম্নীংলোয় য়িম্মাঙলোয় মৈপুন হাইচাও চোংলেল ফিনচম থাওয়াই থুংগু থুংলাই মশীং সুনা হুইথপীরকএ। থপী পেনকোয়রেল পুম্নং অচাও মৈকুম, মঙান মৈরা হৌনা নমু পোংশক লেপ্লে। ঐরি শামৈথাং মীনা পোংথোকলম, লম্লেন কোমপীলাকী লিনবায় ঊরম ইম্নরকএ। লাইবেল মৈতিংঙু তি খোইমোম বোংচা চীংমাপা মকাই-কথকী, লিসিং খোইসিং থাবার মুচেং কৈফাও নাওকল হাওথু তাংথম পুম্নমা থাংথায়ননা; হনচীং চীংমৈ ঈল্লা, থাংঙশা হুমিৎ য়ুংথাকপতা মোংপা নোংহুম শঙকী শারোং লপয়ানকাতা বাইথুংলে। লাইচ ঊরম তরেং বাম্না, নোংপান অসাংপম্না খোঙহামএ। অরামপম্না ঈরুপীএ। লৈকু শঙসা ঙমপা অহুম্মা নিংথৌ পোংপা অয়ামনা; কমপাল পোংলোই মশীং সুরবতা। (১) মমাইপা কোস্তে নাকথংমাইনা মৈরীক মৈরাকতাই, থাপী থাপা লাৎ লৈরোন নোংলোন তাইরে।— পাখঙপা কমপাল্লোন—

+ + + তুপী য়োইনোংতা নোংতা লাইরেল পাখঙপতি, মোংপা শারোং লপয়ান কাতা; মশানৌ লাইসনা খোইমোম লাইনা সাপীকা কমতোংলে। নোংপান য়াওরৈপনা থামপী মৈপা চিংনা, চকমোম থামপী মৈথারে। (২) মমাইপা কোস্তে নাকথংমাইনা তোকা লৈকা মেম্লে। নোংথৌ কাসায়েং কোয়ৌ হুমিৎ মঙানি সুরপতা য়ুপুলাং পোংনীং ভাইনা মোংপা নোংহুমশঙতা; থিরেল মালেম লৈফন তুরে। ——— মশানৌ লাইসনাকা লাইরেল মশাপীকা থামোই হুংমোইনরে।

মথকী পুয়াসিংগী থুদম নং (১) মমাইপা কোস্তে নাকথংমাইনা মৈরীক মৈরাক তাই, থাপী থাপা লাৎ, লৈরোন নোংলোন তাইরে। (২) মমাইপা কোস্তে নাকথংমাইনা তোকা লৈকা মেম্লে। হায়রিবা বাম্লোলসিং অসিনা মরেক শেংনা তাক্লে — হীয়ী কোন্দুনা, ঈরাং

চঙবান পীহুনা, লাইসোন ভীলসোল তৌহুন', লাই তাইনবগী থবক তৌবা মীবু "কোন্তে নাকথংমাই কৌই" হায়বসি, মাইবসিং অহুনা চত্তৌরিবা "থবকসিং" অমিনা উংলে।

৫। অমাই লাইরমপু

মীয়ামগী অমসুং লমাইগী করিজম্বা লাইগী থৌরম অমা পাঙ-থোকপদা; ঈরাং থৌমিদা, ভীলসোন লাইসোম লাইমিং তিঅমিং তাক্কুনা, থৌনিজরিবা মীসিংবু লমতিংবগী থবক তৌবা অমাইবা অহুন "অমাই লাইরমপু কৌই"।

খুদমসিং —

নিংথৌ খাগেম্বগী লৈমা চকপা মণ্ডসা ভগ্নীনা, নাওপুপা কুংশীং মপুগী ফাররকবদা; মৈদিংগু খাগেম্বদা হনগৎচবা বারোল —

খাকেমপা লাংচৈ ঃ—

+ + + + লাইরেল ঈশাপী মৈতিংগু শেলপী খাকেমপও! য়োইপু নশানৌ ঐনা হৈরাও মচা য়াম্না নাওপুপা অসিপু; থোইমোম নোংত্রমখোন করমপপু ওইরিকপনো ওয়্যোকএ। নতাইরেম খামপী থিয়াথৌ অমাই মনাওয়োক্কা পাওহংপীও হায়না হনকৎচরপতা। লাইরেল শেলপী খাকেমপনা পাওহংখিএ। লাইরেল ঈপা মৈতিংগু শেলপী মুংযামপগী (১) মমাইপা আকেং থিয়াথৌ অথৌপা নঙকা, লাইরেল ঐকী অমাই থিয়াথৌ অথৌপা, অমাই মনাওয়োক, থোইমোম লাঙ্গরমপু থেংকা নঙকা; নিংথৌ খাইপা মণ্ডচুমপা নথোয়পু লাকও! য়োইপু ঈশানৌ——————হুয়েন মরোঙ চোঙকাপীপু ; কোয়ৌ ঈনোংথোনা য়োইচানপা, য়াপন ঈকাসানা নলকুপীপকীভমকপু, লাইরেল ঈপারি ——— কংলা লাইবা পরিংপপু শাংকপরা? ঈমোম তম্পা বাঙমলোম ———বাংকোন

——— থাংকোল লাইছুমা অতেংগী, থোরপা থ্রিমলেন থানগীপুঁ কুইকাপরা? ————খোয়েল মওচললুও হায়না পাওমেনথিএ।

সনামহী লাইহুই কৌবা পুয়াদন্থ মথক্কী অসিগা মাগ্নবা মওংদা ইরি।

সনামহী লাইহুই —

++++ লাইরেল ঈপা মৈঙ্গিংচু শেলগী মুংয়ামপকী (২) মমাইপা আকেং থিয়াথৌ নওকা, থেংকা মাইপা থিয়াথৌ, অমাই শুমতোংলাং, নিংথৌ মাইপা মওচুমপা খোইমোম লাইরমপু নখোয়না ——— য়োইপু ঈশানৌ ———।

থাগেম্বা লাংচৈগী মতাং অমদা, থাগেম্বগী মচা চোইনৌ সনামহীনা অতাও নাওবা ওইনা লাই ওইথ্রবদা। থায়োইয়োন অতোন লোইয়ুমপা চম্থু য়োইহৈ পাংকা ওমপী অমস্থুং বাওম থুবাই শানম নীংতোনপীদা সনামহী তোংছুনা মাইবী চওহল্লগ'; লাইশও সাছুনা থুকম য়াছুনা লাংলু হায়না লাইপাও চেল্লবদা, লাইনিংথৌ থাগেম্বদা হংগংলবদা; নিংথৌ থাগেম্বনা য়ুয়াম তোলবু কৌথংতুনা পাওহংথিবা বায়োল— মথাদা উংলি।

থাকেমপা লাংচৈ —

++++ খোইমোম মশাবোন চীংউ মতেহৈ করমপপু ওইরি-কপনো হায়না উনপী পুক্নিং ওক্না নীংথম্নরিতৈতা। থায়োইয়োন আতোন লোইয়ুমপা চম্থু য়োইহৈ পাংকা ওদপীতা, খোইমোম মতীক উংনা, চীংউ মতীক অরুপপু শানখোওকে হায়না তাক্করপকা; থাগী থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইনা, খোইমোম লাইরোল লোলহল্লে। খোই-মোম মবোন হক অমতি বাওম থুবাই শানম নীংতৌনগী হন্থু মরাইকা হনপা মরেং চল্লপতা। কৌরোং পানপৈ নীক্না খোইমোম লাইরোল লোমা; থাগী থিয়াথৌ অমাই শুমতোংলাংপু ওইহল্লপতা। বাওম থুবাই শানম নীংতোনপীনা, তবেও হওসোন খোনকাং লৈ, থাপলৌ

মমীল শীৎনা; মোম্ন্ য়াবা শিজোই তাল্লিৱৈ, শামু মখুংতোনকী শীন্নো মোইথাপম্লুংতা; খোইমোম য়াবা খোলচেল নীংথিপা, লাংপন হারি খোনকুমপনা য়াবা খোলচেল খোক্লা পাওমেল্লকপপু। লাইরেল মৈত্তিংঙু শেলপী খাকেমপা তুপী সনা মখোঙখাতা খোইমোম লাইপাও তম-লরপকী। লাইরেল মৈত্তিংঙুনা (৩) অমাই থিয়াখো অথোপা, অশৈ তেংমাইথিনপা, লোইম্নুম য়াঙম নাহা তোলপা য়ুম্নাপপু পাওকোখংলে। ঈতাইরেম তোলপা খোইমোম লাইরমপুও! নীক্লাই ঈপারি——— অতুনা ——— খোইমোম লাইফম সেমপীও হায়না চীংউ লাইপাও চেল্লমএ হায়পা অসিপু—— ——খোইমোম পাওচেন মতুং ইন্না; নীক্লাই ঈপারিকী চীংউ লাইফম য়াপীসিপয়া হায়না য়াহমলপতা ————।

মথক্তা উংখিবা লাইরিকসিংগী খুদমসিং নং (১) মমাইপা আকেং থিয়াখো অখোপা নঙকা; লাইরেল ঐকী অমাই থিয়াখো অখোবা, অমাই মনাওয়োক, খোইমোম লাইরমপু খেংকা নঙকা; (২) মমাইপা আকেং থিয়াখো নঙকা, খেংকো মাইপা থিয়াখো, অমাই শুমতোংলাং, নিংখো মাইপা মঙচুমপা, খোইমোম লাইরমপু নখোয়না (৩) অমাই থিয়াখো অখোপা, অশৈ তেংমাই থিনপা, লোইম্নুম য়াঙম নহা তোলপা য়ুম্নাপপু পাওকোখংলে। ইতাইরেম তোলপা খোইমোম লাইরমপুও। হায়রিবা য়ারোলসিং অসিগী মতুং ইন্না; লাইগী থোরমসিংদা লাইসোন তীলসোন তৌবা, লাইমিং তিনমিং তাক্কুনা; লম্নাই অমম্লুং মীয়াম্ন লমজিংবগী থবক তৌবা অমাইববু; "অমাই লাইরমপু কৌই" হায়বসি মথকী য়ারোলসিং অসিনা শেংনা তাক্লে। খুদম ওইনা হায়রবদা, লাই হরাওবদা তীলসোন লাইসোন তৌহনা মীয়াম্ন লমচিংলিবা য়াইবা অসিমক অমাই লাইরমপুনি।

৬। কোন্তে খুৎচুম্মাই

শৈরেং ইবা, লাইরিক লেংবা, হারী সেম্বা অইবগী থবক তৌব; ছিরম অহুদা মপুঙ কানা থঙ-হৈরবা অমসুং মীথোই মীহেল্লবা (স্কোলার ওইরবা) মীবু "কোন্তে খুৎচম্মাই কৌই।"

খুদমসিং :—

নোংদা লাইরেল পাখঙবনা নিংথৌ ওইহুনা কম্বাল তোংবদা; কম্বাল মিংথোন তম্বগী মতাংদা, "পাখঙপা লাইহুই" কৌবা পুরানা হায়রি।

++++ নিংথৌ পোংপা তরামনা কংলা মায়য়োক ডাক্লে। নোংথোনপা মৈকামপনা চাকথাঙ য়াইরোং ফান, মৈপুন হাইচাও থালএ। পুঙ্গনপা শেল্লুংপনা খাওয়াই য়াইফু মিরেল খোমপু থাদা কোয়া চীংথোঙ পুয়োকএ। লৈরোন নোংলোন তরামরিমকী চীংউ লেংনা ভিন, খোইমোম লেংনা ফাং, কংলৈ শুমথোঙ মনিল নাইরে। মমাইপী থাপী থিয়াথৌনা তানথোঙ খোঙথুম্মরে। মশাপী শাচি লাংকপপীনা, কমপী নাওরৈথু খোইচু তোল্লোং ইকপীথিএ। য়োইরেল লোনচা পুঙকাইপনা কারাং লালহৌইএ। নোংপান য়াওরৈপনা, ঔকরি শায়ালুক্তা, খোইঙান ফিভা তৈ, লীক্লাং পয়েং ডাঙকোইননা হাওমন শীংথায় হুল্লে। খোক্লাং মিতম য়ুংনা কোরি থায়াওচি, থোংলেল লমপাও য়াকপু নিংশা থিনকামননা কাসা পাওভাক্লে। (১) লৈমুং থারুক অশৈপা কোন্তে খুৎচুম্মাইনা; তুপী য়োইনোংভা নোংভা লাইরেল পাখঙপও! কোল্লোয় মমিং থোনপু মিংকৎলে। নোংপান লৈরোংপয়া চাহুই লৈরিকচিনপু শীংলেল খুৎশিন্নরে ——।

পাখঙপা লাইহুগী মতাং অমদা, পাখঙবনা অহিং মী ওইবা নোংথিল লাই ওইববু, লাইসনাসু ওইগে হায়বদা, পাখঙবনা য়াগ্রবদা; লাইসনানা হায়রে। পাখঙবনা হায়রে, ঐনা নোংথিল লাই ওইবগী

শক্তম হোরেল য়েংলোলাও হায়খি। বাকম অচু খাবা তৌ-গুবনা থঙহৌবফুনা; লাইসনা হেল্লোয় তরেং উদ্রিভৈদা; খাবা তৌ-গুবনা পাখঙবু হাংদুনা মতুপ তরেং থোক্না মুংচেন্দো লংখৎরে। হেল্লোয় তরেংমক্তা খাবনা তাক্লে। লাইসনা হেল্লোয় তরেংনা লোং থোন্দুনা থিবদা, হেল্লোয় তরেংমক্তা মতুপ অময়ম লক্তুনা শালাই তরেং থোক্লবদা; লাইসনাদি লোংমাইষু অহোঙবী ওইনা কোক্নৌ থক্তা লোংখ্রে। খুইয়োই তোমপোক্তি নিংগ্নৌ ওইদুনা কংলা ফম্বাল ফম্বা ঙমদ্রে। নোংমোইষু কৌথদুনা কংলা ফম্বাল ফম্বা ঙম্নবা পুং তিংবা মতাঙদা "পাখঙবা লাইছই" পুম্নানা হায়রি।

+ + + লাইসনা খোইমোম লাইনা সাপীনা, কংলৈ পুঙখোয় নেংঙমতয়পকী; মালেম ত্তমপাক অনেমপা লৈমায়থক, কোয়ৌ অয়াংপা বাংমকোন্তা; মোংমাইষু অহোঙপীপৃ লৈনা সানা সানখুপখিএ। খুই-য়োই তোমপোক্তি কংলৈ ত্তমখোঙ নাইঙমতনা নোংখোইরে। (২) কোনতে খুংচুম্মাইনা খুলপী লৌমন য়ালপু হোইচায়ে। অয়াং লমতম থিলোনলোয় লম্মহনকী পানপা কৈয়াং উন, য়ায়ৌ শাচি কুয়াং উন্না বাংলেল পুঙপু তিং, কংলৈ পুঙখোয় নেংকে হায়না পাতমপপু; বাংলোন পুঙলোল থোকপীতে। পানপা কৈয়াং উন, য়ায়ৌ শাচি উনপু লৌথোক্লে। কোয়ৌ মুমিংমাতি, নোংলুম য়াইয়ং-চালকী সনা ঈমাসিয়া কংলৈ পুঙখোয় নেংমুনো হায়না (৩) কোনতে খুংচুমগাইপপু য়াচুমনন্না; তুপী য়োইনোংতা নোংতা লাইয়েল পাথঙপা, মচন সিয়া কোংতিংমুকাঘন মুকম্‌ হাইমৈচোনপু কৈয়াং মবুন তনা, লেবা খায়োয় মেয়া শাবুন খায়ে তিং, থাঙবায় লীপুনসিকা চেংলিয়াথো লীয়েলপকা কানা পাতমপপু বাংলেল পুঙলোল সং সং থোক্লে। পুঙ তরুক-য়াম, থোনবাং তয়েং থেংনা পানতমপগুং পাচুরে। কোয়ৌ তাচিথৈ বাংগন তাতালৈ অনিমনা; চীংউ মতীক-য়েংকে-হায়না—

.... লৈরেল লৈচাওপু থুংজোম থুংঅাং ছাপ, শামৈ শমজোম য়োম, শমচিহুক তুংথানা থপাক থুইথোল্লা, চিংসোং কাপ্লাংখক্তা, থোক্লগীং মানপন হোৌনা য়াহোং লৈফুঙ লোই, লাংমৈ তোক্লের লোইপু নোংভমপগু ফেংলৌ মীংথীংলপক্লী; থুই তৌথুপকি থাক মকাইকম্বা সানথুগ্লখিরে। (৪) মমাইগ্লা কোনুতে থুংচুম্মাইনা কোরো তাচিরে য়াংপন্ন তাতাতে অনিমপু; চীংঙ মত্রীক মাম লাইরেল মঙন থানা, চুপসা মোইথেম শৈতমগীখিএ।....... থাক্রেমগা ময়াংচৈ:—

........লাইরেল মৈতিংগু, তুপী সনা মখোংপাতা খোইমোম লাইপাও ফুমরগক্লী, লাইরেল মৈঙিংগুনা মত্তাইরেম (৫) অমাই থিয়াখৌ অখোৌপা, অশৈ তেংমাই থিনপা য়াঙম লোইরুম নাহা তোলপা য়ুম্নাপপু পাওকৌথংলে। কৈতাইরেম তোলপা খোইমোম লাইরমপুও! কীক্লাই ঈশ্বরি খোইমোম লাই ওই-শিরপা অতুনা ... ... খোইমোম লাইকম সেমগীও ... ... হায়গা অসিপু ..... চৌংউ লাইকম য়াপীসিপরা? হায়না পাওহংলগঙা।———

মথক্তা উৎপ্রিবা লাইরিকসিংগী থুদমসিং নং (১) লৈমুং থারুক অশৈপা কোনতে থুংচুম্মাইনা; তুপী য়োইনোংতা নোংতা লাইবেল পাথগুপও! কোম্নোয় মমিং থোনপু মিংকংলে। বাহনথোক— লৈমুং থারুক অশৈপা "লৈরোমংদা হী য়াই ফুমতুনা লৈবগুম; মুংদা ফুমতুনা লৈরিবা ঐমুংরোলগী বাকমু, পান্দা পুথোকুনা থাবা শৈরেংবা হায়বনি।" "কোনতে থুংচুম্মাই" কুইম কুইরপা তেম্সন হনজিন্নকপা, ইথোকপ্রবা য়াকম অহু অচুম্বা ওইবকপা। "নোংদা লাইরেল পাথগুবা" হায়বা অসি শৈরেংবা অইবনা থোনবা মিংথোন্নি! ১২(২) কোন্তে থুংচুম্মাইনা থুলনী লোমন বাপু হোইচাম্রে। "থুলনী"—অহানবা হৌরককম। "লোমন বাপু হোইচাম্রে" = হায়া

হায়প্রবা অমম্তং লৈপ্রবা বাফম্ হয়া পাওতাক পীবা। নং (৩) **কোনতে খুংচুম্মাইপু য়াচুম্মনা**; —শৈরেংবা অমম্তং অইবনা হায়-মমবা বাগী মতুং ইন্না। নং (৪) কোনতে খুংচুম্মাইনা কোয়ৌ তাচিরে বাংপন তাতা লৈ অনিমপু; চৌংউ মতীক হায় লাইরেল মণ্ডন থানা চুপসা মোইথেম শৈতমপীখিএ।—কোয়ৌ অবাংবদা লৈপ্রবা লাইগী মতীক ময়াইবু ভুংগী মীয়োয়া খণ্ডহৌনবা; শৈরেংবা অমম্তং অইবনা ইথোকপা নং (৫) অমাই থিয়াথৌ অথোপা অশৈ তেংমায়থিনপা.........—ঈশৈ শকপবু অশৈবা কৌই। অশৈ তেমায় থিনপা হায়বদি ঈশৈ সেম-সাবা শৈরেংবা হায়বনি। মথকী বাহৈ পরেংসিং অসিনা তাক্লে। "শৈরেংবা, লাইরিক লেংবা, 'অইবা বারেং শৈরেং শেম্বগী থবক তৌবা; হিরম অতুদা মপুং ফানা খণ্ড-হৈরবা (স্কোলার ওইবা মীবু "কোনতে খুংচুম্মাই" কৌই হায়বসি শেংনা উংলে।

৭। অমাই থিয়াথৌ অথোপা

হিরম খুদিংমক শোক্না খণ্ড-হৈরবা, থিজিন হুমজিনবা অমম্তং নৈনবদা মপুঙ ফারবা; হিরম খুদিংমক্কী মচাক পীবা অমম্তং লমজিংবা ঙম্নবা হিরমসিং অতুমক মশামক্না পায়বা ঙম্নবা, পুম্নমক শুপ্না খণ্ড-হৈরবা, মাঙদা থোকপ্রবা কয়া অমম্তং ভুংদা লাক্কদবা কয়াবু খণ্ডবা উবা ঙম্নবা মীবু "অমাই থিয়াথৌ অথোপা" রিসার্চ স্কোলার) — সিদ্ধক কৌই।

খুদমসিং ঃ—

নাওয়ান মপুঙ ফারবী লৈমনা, অমাইবসিংদা হংবীয়ু হায়না লাইনিংথৌ থাগেম্বদা হায়জরক্দা; নিংথৌ থাগেম্বনা অমাইবসিংবু কৌহুনা হংলকপা মতাংদা "থাকেমপা লাংচৈ" পুয়ানা হায়বা —।

থাকেপা লাংচৈ—

++++ নতাইরেম থাগী থিয়াথৌ অমাই মনাওয়োক্তা পাও-হংপীও হায়না হনকংচরপতা। লাইরেল শেলগী থাকেমপনা পাওহংখিএ।

লাইরেল ঈপা মৈতিংগু শেলপী মুয়ামপকী, (১) মমাইপা অাকেং খিয়াখৌ অখোপা অমাই মনাওয়োক থোইমোম লাইরমপু থেংকা. নওকা. নিংখৌ মাইপা মওচুমপা নখোয়পু লাও-ও। য়োইপু ইশানৌ কংলৈ মৈতৈ লৈমা——হুয়েন ময়োঙ চোংকাপীপু——পারী শাংকপরা? ———ঈমোম ফুইকাপরা?——— খোয়েন মওচওমুও হায়না পাও-মেনখিএ।——

(খাকেমপা লাংচৈগী মতাং অমদা)---—— লাইরেল মৈতিংগু শেলপী খাকেমপতা থোইমোম মপাও তমলরপকী। লাইরেন মৈতিংগুনা মতাইরেম (২) অমাই খিয়াখৌ অখোপা, অশৈ তেংমায়খিনপা, লোইয়ুম বাওম নাহা তোলপা য়ুয়াপপু পাওকোৌথংলে। ইতাইরেম তোলপা থোইমোম লাইরমপুও। লীয়াই ঈপারি —— থোইমোম লাই ওই-খিরপা অতুনা, —— থোইমোম লাইকম সেমপীও—— হায়পা অসিপু, —— চীংউ লাইকম য়াপীসিপরা হায়না বাহয়পতা।——

খাখেমপা লাংচৈগা মায়বা মওংদা সনামহী লাইহুই কৌবা পুয়ানা হায়বা ——

সনামহী লাইহুই ঃ—

+ + + লাইরেল ঈপা মৈতি গু শেলপী মুংয়ামপকী (৩) মমাইপা অকেং খিয়াখৌ নওকা, থেংকা মাইপা খিয়াখৌ, অমাই শুমতোংলাং, নিংখৌ মাইপা মওচুমপা থোইমোম লাইরমপু নখোয়না। য়োইপু ঈশানৌ——হুয়েন ময়োঙ চোংকাপীকী; নাওয়ান পীপুক থনপা অসিপুঃ —— লাইরেল ঈপারি—— শাংকপরা? ঈমোম তক্ষা বাওমলোন —— ফুইকাপরা?—— খোয়েল মওতমলুও হায়না পাওমেনখিএ —

মথক্তা উংলিবা পুয়াসিংগী খুদমসিং (১) মমাইপা অাকেং খিয়াখৌ নওকা, লাইরেল ঐকী অমাই খিয়াখৌ অখোপা অমাই মনাওয়োক

খোইরমোম লাইরমপু থেংকা নত্রকা, নিংথৌ মাইপা মওচুমপা নখোয়গা লান্নু-ও। (২) অমাই থিয়াখৌ অখোপা, অশৈ থেংমাখিনপা, খোইরমোম মাইরম নাহা তোলপা য়ুম্নাপপু পাওকৌরুংলে। ইত্তাইরেম তোলপা খোইরমোম লাইরমপুও। (৩) মমাইপা আকেং থিয়াখৌ নত্রকা, থেংকা মাইপা থিয়াখৌ অমাই শুমতোংলাং, নিংথৌ মাইপা মওচুমপা খোইমোম লাইরমপু নখোয়না— উংলিবা " অমাই থিয়াখৌ অখোপা" হায়রম বাহে অসিগী বাহনথোক্তি—অথিবা অমস্তুং হায়দোক্লপা য়াথং পোয়রকপবা হায়রনি।

মথক্তা ইংগ্রিবা পুয়াসিংগী গ্রুদমসিং অসিদা, হিরম কয়াগী অমাইব-সিংগী তোঙ্গান তোংশানবা মিংথোন ইংথ্রে। ইংগ্রিবা ময়াম অসিগী মমুংদা, অমাইবা অহুমথক নংতনা অয়াম্বনা হিরমগী মি থোন অহুতমক পল্লি। মিংথোন অহু ফংলিবা অমাইবা মশামক্তী মমিংদি পন্দে। মশামক্তী মমিং পল্লিবা অমাইবা অহুম অহুদি, খ্বাইনা থওনরবা পুয়া অয়াম্বদস্থ তোয়না য়াওরবা — আকেং, য়ুম্নাম তোলপা, থেংকা, (গোনোক থেংগ্রা) অহুম অসিনি। অতৈ হিরমগী থারকপদদি: হিরম অহুগী মাইবগী মিংথোন অহুতমক থাই। মথক্কী অহুম অসিগী থাবদদি মশামক্তী মমিংগা লোয়ননা অমাই থিয়াখৌ অখোপা হায়বা মিংথোন অসিগী মথক্তা অতৈ হিরমসিংগী মিংথোনস্থ য়াওনা শুপ্না থারমই। অস্তুম্না অরিবা লাইরিকসিংদা ইবমলিবা অসিগী মতুং ইন্না; অমাই থিয়াখৌ অখোপা হায়বা অসি, অমাই রোনসিংগী থ্বায়দগী বাংবা মিংথোম্মি হায়র্বসি ময়েক শেংনা তাক্লে।

মিংথোন অসি ফংবা অতোপ্পা অমাইবসিংগী মমুংদা থ্বায়না থওনববা অপোই মচা লৎনা, থ্বাই কেক্রু, লোরেম্বা খোংনাং থাবা, লাংলোল লুখোই অসিনচিংবা কয়া লৈপ্রি। মখোয়সিং অসিস্থ "অমাই থিয়াখৌ অখোপা" হায়বা মিংথোন অসি ফংবা অমাইরেল হাক্তনি।

মথক্তা উৎথ্রিবা পুয়াসিংগী বারোলসিং অসিগী মতুং ইন্না হিরম তরেৎমক্কী মতিক ময়াই ওইখ্রবা, থিজিন হৈজিনবা মতম্মা নৈনবদা মপুঙ ফরেবা, হিরম খুদিংমক্কী মচাক পীবা ঙমবা মখল্লুং মশাথক্তা থোরম অহু পাম্নবা ওয়বা: পুয়াদা ওইথং-হৈরেবা; হৌজিক্কা কয়া- অমস্তুং লাকদবা কয়াবু থগবা অমস্তুং উবা ঙমবা; মকপা লাকপী মেৎনবা লৈত্রবা, মীথোই মীহেৎলবা অমাইবসিং অহু অমাই থিরাথো অথোবনি।

অমাইবা মখল তরেৎমক্কী মরমদা অরিবা পুয়াসিংদা ইরম্বা বারোলসিংগা লোয়ননা মথক্তা উৎথ্রে। উৎথ্রবসিং অসিগী মতুং ইন্না; মৈতৈগী অমাইবা হায়বা মিংথোন অসি, করিগুম্বা হিরম অমদা পনথুং থেংনা থগলবা (ক্লোনায় ওইরবা) মীদা পীবা মিংথোন্নি। অমাইবা হায়বা বাহৈ অসিগী মরাঙ অমস্তুং মতুংদা লোয়নরিবা বাহৈসিং অজুনা হিরম (সবজেক্ট) অহুনি। সংস্কৃতকী পণ্ডিত অমস্তুং ইউনিভরসিটিগী থাইদগী রাংলবা ডিগ্রি নত্রগা মিংথোন ডোক্টোরেট (ডোক্টর অফ ফিলোসোফি) হায়বা অসিগুম্বনি।

অমাইবসিংগী লমচৎ করিনো?

মৈতৈগী অমাইবসিং অসি লাই থাজবা অমস্তুং লাই নীংবা মী ওইরকনি। লাইনীংবদা মপুঙ ওইবা, অতৈ হিরমসিংদা থোকউদবদি নংতে। লাই থাজবগা লোয়ননা বৈজ্ঞানিকস্থু ওই। লৈপাক ওাকপা সেমগৎ সাংগৎপা, শা লালগী থবকস্থু অহুম্নক য়াওই। মতাং অসিদা থুনমগী ওইনা বারী মতেক অমতং লৌশিনজগে।

